মালেমদা ফাওরবা কোমেডিয়ান, চার্লি চাপ্লিনগী মরমদা খঙজিনবা য়াবা খরা


John Jasper

chaplinforthoages.tumblr
Chaplin on the set of "City Lights"

Charlie Chaplin
Edna Purviance

☞ ১৯১৭তদি চার্লিগী খ্বাইদগী ফজবা ফিল্ম ৪ পুথোক্লে। মরিসিগী মনুংদা অনীদি Master Work নি হায়নরি। মখোয়দুদি 'Easy Street' অমসুং The Cure নি। Easy Street হায়বসি তোপ তোপ্পা অতেনবা কোমেদি ফিল্মনি হায়না Walter Kerr না ইরকখি।

☞ অদুবু ফিল্মসি নম্বদা খুদোংথীবা থোকখি। চার্লিগী মনাতোন শোকখি। চয়োল কয়া মেক-অপ য়াখিদে। অদুমক্তনা ফিল্মদু ফোঙবা মতম খরা য়ৈথোকখি। ফিল্ম অসিগী ফুট ২০০০ শাংবা কোমেদি অদু লৌনবা হোৎনবদা ফুট ৩০,০০০ নম্বদা তাখি।

☞ মথঙদা The Cure হায়বদু অমুক নল্লে। মসিসু মতম চানা পুথোকপা ঙমলোইদৌরি। মরমদি চার্লিনা হন্না হন্না নমখি, ৱাখল হোংলকপা খুদিংগী। অদুনা shot কয়া অমা লংথোকখি। shot কয়া অমা হাপচিনখি। মাগী চন্নখিদ্রবা shot শিংদু ময়াম্বা Sydney না চেকশিন্না থমজিনখি।

☞ The Cure হায়বসিদা চার্লি ঈরুপ্পগী সীন য়াওরি। মদুদা মহাক লোক থুংখি। অদুনা ফিল্মদু পুথোকপা থেংথখি। অদুবু ১৯১৭কী এপ্রিল ১৬তদি পুথোকপা ঙমখি। নুমিৎসি মাগী ২৮শুবা মপোক নুমিৎনি। ফিল্মসি উরগা Photoplay News হায়বা পাউচেদা অসুম্না ইরকখি- "Altogether, The Cure is certain to enhance Chapli's popularity for he has never produced anything funnier."

☞ ফিল্ম অসি য়েংলবা মতুংদা চার্লিদা টেলিগ্রাম থাজিন্নরকখি, "নঙগী The Cure হায়বা ফিল্মসি য়েংবদা ঐখোয় নোকপদা থবাক নাব ফাওরে, মসিগীদমক নঙগী নথক্তা কেস তৌরসিরা লেপ্পরে।"

☞ মথঙদা The Immigrant ফিল্ম নল্লে। ফিল্ম অসিসু চার্লিনা হন্না হন্না নমখি, মানা পাম্বদু তাদ্রিফাও। অদুনা হিরোনী Edna না এক্ট তৌবদা মানা চানা চাবদু ১০০ রক চাবা তাখি। মদুদা Edna না লাউরকখি - 'চার্লি! ঐ চানা য়োৎপা ঙমশিল্লক্ত্রে।'

☞ ১৯১৭কী জুন য়ৌরকপদদি চার্লিগী ষ্টদিও, Lone Star Studio অদুদা অহোংবা খরা উরে। মেনেজর Henry Caulfield গী মহুৎ John Jasper না শিল্লে। অদুগা জেসপরনা পাম্বা মতুং ইন্না পব্লিসিটি দিরেক্টরসু Carlyle T. Robinson না ওইরে। মহাক্না চার্লিগী Studio দা চহী ১৪ থবক তৌখি।

☞ রোবিনসনগী পাউ মতুং ইন্না অনৌবা ফিল্ম অমা হেক শাগৎপা হৌরকপদা চার্লি নুমিৎ খরনিদি ষ্টদিও থাদোক্তুনা হেক্তা মাঙখি। মচাক থিবনি। মতমদুদা মহাক্কী তৌগদবা থবকশিং লোইশিনবা ঙমহৌই।

☞ রোবিনসনগী মত মতুং ইন্না চার্লি উনবা য়াম্না লুই। ষ্টদিও মনুংদফাও। মশক খঙদবা মী অমত্তা ষ্টদিও মনুং চঙহন্দে। মাদি জর্নেলিষ্ট উনবা পাম্বা মীসু নত্তে। মাবু মিষ্টর চার্লি কৌবা য়াম্না শাউই, চার্লি খক্তা কৌরকউ হায়।

☞ অহানবা হেক চঙবা নুমিৎতু রোবিনসন ঙকখি। চার্লি হেক ষ্টদিওদা চঙলকপদা লাউনরক্কনি - লাকএ, লাকএ, (He is here!) অদু হেক লাউরকপদা এক্টরসু, ষ্টেজ শেম্বশিংসু, মৈ পান্নবসু, মীপূম খুদিংমক মাগী মাগী থবক থাদোক্লরগা পরেং লেপখি। পরেংদু ফাওনা চার্লিনা ষ্টদিও মনুং চঙলকখি।

☞ চার্লিনা লাক্লিবদুসু অমুক নানখ্রবা কার অমদা লাক্লিবনি। মমাঙগী সিটতা মী অনী ফম্মী। মখোয়নিগী মরক্তা মশা পাব অৱাংবা মী অমা য়াওই, মহাক্না কার খাম্বগা চোঙথোক্লকই, অদুগা চার্লিগী মনীংগী থোঙদু হাংদোক্তুনা চার্লি থোক্লকপা ঙাইখি। কোট অচোনবা অমা লিংলদুনা চার্লি থোক্লকপা উই। তুপী উপ্লক্তে। নুপাদুনা তুং ইন্দুনা চার্লিনা ষ্টদিওগী থোঙজিন তান্না লাকখি। জপানিজ দ্রাইভর অদুনা কারদু মফম চানা খামখি। মমৈথংদদি তৌরিবশিংদু Immigrant ফিল্মগী সিন অমা নম্বা ওইরমখি।

☞ Immigrant ফিল্ম অসিগী মতুংদা থা ৪ ফিল্ম পুথোকখিদে। মরমদি ময়াম্বা Sydney গা লোয়ননা মতম খরা San Francisco দা কোয়বা চৎলুই। হল্লকপগা Seirra Madre Coast তা চৎতুনা The Adventurer ফিল্মদু নমখি। অদুবু চহী ৭কী নুপীমচা অমা চার্লিগী ফিল্ম নম্বদু য়েংলিঙৈদা ঈথক্না তাউথোকখিদুনা চার্লিনা ঈরুপ্পুনা চৎলগা কনবিখি। মতাংদুদা Edna সু মশক খঙদবা লায়না অমনা নারকপদগী হোস্পিটালদা য়ৌখি।

☞ The Adventurer ফিল্মসি পুথোক্লবা মতুংদা চার্লিনা হায়খি - "থৌদোক অমনা অনীরক নোকহনবা ঙল্লবদি সিন অনী নম্বদগী হেন্না ফৈ" অদুমক মাগী Adventurer ফিল্মসিদা উৎপা ঙমখি। ফিল্মদুদা উৎলিবসি চার্লিনা বেলকোনিদা অঙৈংবা আইস ক্রিম চারি। মাগী চামচতগী অঙৈংবা আইস ক্রিম খরা তাখ্রে। মখাদা ফল্লিবী নুপী অমগী লেংবান্দা তারগা নঙ্গল মনুংদা চঙখ্রে। তাখিবা মতমদা চার্লিনা কমাই তৌনি হায়না পাখৎপগী মতৌদা অমুক নোকপা অদুগা নুপী অদুনা অঙৈংবা অমা নঙ্গলদা চঙখিবগী চেনবদুগী ফাগী অনী ফজনা মায় পাকখি।

-মথং-মথং

ব্যুটি দাইরিজ - মেক অপ

ওইলি ওইবা উনশাগীদমক নুমিৎ খুদিংগী লৌখৎপা য়াবা চেকশিন-থৌরাংশিং

ওইলি স্কিনগী মীওইশিংগীদমক্তা ঙসিগী আর্টিকল অসি পুথোকচরি। ট্রোপিকেল ৱেদর কন্দিসনশিং লৈবা, কা হেনবা নুমিৎকী মৈশা, মঙাল মরক্তা তত্তনা হুমাং থোকপা, পোল্যুসনগী চাং হেনমনবা অমসুং অতৈ ফেক্টর কয়ানা নহাক্কী থাউ/ফেটকী গ্লেন্দশিংদা অকায়বা পীবা য়াই। মদুগী ফলনা ওইলি টি-জোন লেপ্পুনা শেমই। অদুগুম্বা ওইলি টি জোন অদু নহাক্কী নমায় অপুম্বা য়ৌবা য়াই। থাঙ্গৈশেংবা প্রোব্লেমদি ওইল প্যেরশিংদগী থাউ নৎত্রগা লেক কয়াম্না থোক্লকই হায়বসিনি। মদু কন্ত্রোল তৌবা ঙল্লবদি নহাক্কী উনশা অমসুং উরিং কন্ত্রোল তৌগনি। করম্না মদুবু কন্ত্রোল তৌগদগে হায়বদু হৌজিক ঐখোয় খঙমিন্নরসি।

হকচাংদা থাউরেক য়াম্না থোকই, লেক কাই হায়দুনা মোইসচুরাইজিং তৌরোইদবগী মরম লৈতে। করিগুম্বা নহাক্না ওইলি স্কিন লৈরগা মোইসচুরাইজ তৌদবা তারবদি নহাক্কী থাউগী গ্লেন্দশিংনা সেবম অমা পুথোক্তুনা (লেক হেন্না থোকহন্দুনা) নহাক্কী উনশাদু অমুক্কা হেন্না ওইলি ওইহনগনি। মরম অদুনা নহাক্না ওইলি স্কিনগীদমক্তা খ্বাইদগী ফবা ক্রিম শিজিন্নৌ। কৈথেলদা য়োনবশিংগী মনুংদা পোন্দসকী সিল্ক ক্রিম মোইসচুরাইজর শিজিন্নবদা কান্নবা ফলশিং ফংই হায়বসি খঙনরে। মসিগী ক্রিম অসি উনশাগা নিংথিনা চূশিন্নখি অমসুং তৈরবা মতুংদা চনপ-চনপ লাউহন্দে। মসিদা পুং ২৪ গী মোইচরা লোক ফোর্মুলা য়াওই হায়বদি নহাক্না মসি অমুক্তং তৈখিবগা নঙোন্দা নুমিৎতু মা স্কিন দিহাইদ্রেসন থোক্লক্কনি হায়বগী চিংনিংঙাই ওইদ্রে।

নহাক্কী স্কিন অদু মতম শাংনা ওইলি ওইরবদি মতম পুম্বদা চনপ-চনপ লাউদুনা লৈ হায়বনি। মরম অদুনা নহাক্না তঙাই ফদনা ব্লোটিং সীটশিং পুরগা চৎপগী তঙাইফদবা লৈ। ব্লোটিং সীটশিংনা নহাক্কী উনশাদগী থোক্লক্লিবা থাউ/লেক অপুম্বদু চূপশিন্দুনা উরিং অমদি অতৈ উনশাগী নুংঙাইতবা কয়া থোক্লক্লবগী খুদোংচাবা ফংহন্দে। অতৈ নহাক্না চেকশিনগদবনি নহাক্না নমায়দু কয়াম তোয়না শোকপগে/পায়বগে হায়বসিনি। নহাক্কী নখুৎতা অমোৎ-অকায়, উফুল-ৱাইফুল থাংদুনতা লৈ। নখুৎকী অমোৎ-অকায়শিং অদুনা মায়গী উনশাগী তুখোঙশিং ফূঞ্জিন্দুনা উরিং থোক্লক্লবগী মরম ওইহল্লি। মরম অদুনা য়ারিবমখৈ নখুৎতা নমায়দা শোক্কনু।

ক্লিনসিংগীদমক্তা লুম্বু-লুম্বু শাবা ঈশিং শিজিন্নৌ :

উনশাদা নুংঙাইতবা য়াওরকপা মতমদা ঈশিং অঙৈংবনা ফৈ হায়না নহাক্না খল্লম্বা য়াই। তৌইগুম্বসুং মদু চুমদে। লুম্বু-লুম্বু শাবা ঈশিংনা থাউ তুম্বা থুই। লুম্বু-লুম্বু শাবা ঈশিং শিজিন্নরবদি উনশাগী অমোৎ-অকায় অমদি বেক্টেরিয়া পুম্বা শেংনা থাদোকখিদুনা নহাক্কী উনশাদু তরূ-তরূনা লৈহৌই।

[illegible]





Title : BABIE PHOTO OF DISNEY

Sweety Thiyam
Class :II , Sec.C, Roll: 161
Regular English High School
[illegible]



Title : SCENERY (ꯁꯤꯅꯔꯤ)

L. Ringkoo Singh
Class :II , Sec. Red , Roll: 33
[illegible]



Title : DOLPHIN (ꯗꯣꯜꯐꯤꯟ)



Pratibha Thiyam
Class :II , Sec. , Roll: 51
R.M. School
[illegible]



Title : HOUSE (ꯌꯨꯝ)

Divinya Sarongbam
Class : I, Sec. Tulip, Roll:38
R.M School
[illegible]

নহাক করি খঙলে / অঙকপনা থল্লবা মীওইবগী হকচাং

- ইন্সাইক্লোপিদিয়া বৃটানিকাদা য়াওরিবা ইনফোর্মেশনশিং অদুগী শরুক মঙা হেন্না ব্রেনগী সেলশিংনা লৌশিনবা ঙম্মী। সাইন্টিষ্টশিংগী মোত মতুং ইন্না টেরাবাইট ১০০০ রোমগী ইনফোর্মেশনশিং ব্রেনদা সেভ তৌদুনা থম্বা ঙম্মী হায়রি। নেসনেল অর্কাইভ্স ওফ বৃটেননা চহী ৯০০ রোমগী হিষ্ট্রিগী মচাকশিং খোমজিনবদা টেরাবাইট ৭০ গুম্বদনি। অদুনদি ব্রেনগী মেমোরি পাৱর অসি অশুক্কী মতীক থাক ৱাংখ্রে।
- লোক খূবা মতমদা পুংদা মাইল ৬০ গী চাংদা য়াঙনা মহীক মতাই কামথোরকপা মরম্না মীওই অমদগী অতোপ্পা মীওই অমদা য়াম্না লায়না লোক লাইহৌ শনে দাকই।
- চীন মনুংদগী চাকখাও ফাওবা চিঞ্জাক পুরিবা ইসোফেগস কৌবা উতোং অসি সেন্টিমিটর ২৫ রোম শাংই।
- অয়ুক নুংথিলগী মতমদগী নুমিদাংগী মতমদনা থোপ (ব্রেন) গী মথৌ ফবা হেঙ্গৎলকই। মরমদি হকচাংনা মথৌ তৌরিঙৈদা থোপকী মথৌ হন্থরকই অদুগা হকচাংনা পোথারবা মতমদা থোপকী মথৌ ফগৎলকই।
- খুৎকী খুৎশাশিংগী মরক্তা খুৎয়ায়গী খুজিলনা খ্বাইদগী হান্না অমসুং থুনা শাংগনি। করি মরমগীনো হায়বা চপ চানা খঙবা ঙমদবা তারবসু খ্বাইদগী শাংবা খুৎশাগী খুজিলনা খ্বাইদগী হান্না শাংগনি হায়বা ৱাফম অসিদি অচুম্বনি।
- চাংচৎতা মীওই অমনা তুম্ন-হীপ্নরিবা ফমুংদা উফুন মকুপ বিলিয়ন ৬ লোম পকই।
- ইংলিশকী ৱাহৈ "THEREIN" হায়বসিদগী মথং মনাও শেমদোক্তবীদা অতোপ্পা ইংলিশকী ৱাহৈ ১১ শেম্বা য়াই। হায়রিবা ৱাহৈশিং অদুদি THE, THERE, HE, IN, REIN, HER, HERE, ERE, THEREIN অমদি HEREIN নি।
- কনাগুম্বা ওয়না হৈনবা মীবু ওয়না কোৎপা অদুগা য়েৎনা হৈনবা মীবুনা য়েৎনা কোৎপা হায়না খঙনৈ। অদুবু পোলর বিয়রশিংদি লোইনমক ওয়না কোৎলি।
- পাইবদি ঙম্বা অদুবু মখোঙনা চৎপদি ঙমদবা উচেক কয়ামরুম লৈ। মখোয়গী মরক্তগী কিংফিশর অসিসু অমনি।
- আমেরিকান এয়রলাইশিংদা তোংবা ফর্ষ্ট ক্লাস পেসেঞ্জরশিংদা য়েনবা সলাদতা ওলিভ ওইল খক্তং হাপহৌদবা মতমদা কুমজা ১৯৮৭ দা দোলর ৪০,০০০ সেভ তৌবা ঙমখি।
- খারোমদা লেটিট্যুদকী দিগ্রি ৬০ দা জহাজ নৎত্রগা হি হোল্লগা চৎপা মতমদা কংফালদা শুংচৎ চৎতনা ঈশিং লম্বী খক্তদা মালেম কোয়না চৎপা য়াগনি।
- ইংলিসকী ৱাহৈ "INTESTINES" হায়বসিদা য়াওরিবা ময়েক খুদিংমক ২রক লোইনা হঞ্জিল্লি।
- মালেম অসিদা কোন্টিনেন্টসু ওইবা লৈবাক অমখক হায়বা তারবদি ওষ্ট্রেলিয়া মথন্তনি।
- অবদুল কাসিম ইসমেন কৌবা পর্সিয়া মচা অমনা ১০ শুবা চহীচাদা মশাগী লাইব্রেরিবু মহাক্না চৎপা মফম খুদিংমক্তা পুরম্মী। মহাক্না উট ৪০০ শীজিন্নদুনা চাউরাক্না লাইরিক ১১৭,০০০ লোম কোইপু পুরম্মী।
- মালেমদা মশানা ইবা লাইরিক খ্বাইদগী য়াম্না য়োনবা ঙমখিবসি বার্বরা কার্টলেন্দনি। মহাক্না ইবা লাইরিক চাউরাক্না মিলিয়ন ৫০০ রোম য়োনখি।
- প্লেন শেম শানবা দিজাইন তৌবদা বোয়িংনা মীওই অমগী অরুম্বদগী কিলোগ্রাম ৬ হেনগৎনা পাবা মরম্না করিগুম্বা কান্দা পেসেঞ্জর অমদি লগেজগী অরুম্বা হেল্লে হায়রবসু অদুমক প্লেন পাইবা য়াওই।
- মীওইবনা লৈগী মতেংনা মহাউ খঙবা ঙম্মী অদুবু কুরাকশিংদি মখোঙ খোঙয়াগী মতেংনা মহাউ খঙবা ঙম্মী।
- মীওইবগী মীৎথুপ অমখক য়াওবা তারবসু উটশিংগীদি মীৎথুপ অহুম য়াওই। মসিনা মরম ওইরদুনা নুংশিৎ শীৎপদা য়াওরকপা লৈঙোই পুন্নমক মীৎ মনুংদা চঙহন্দবা ঙল্লিবনি।



Title : LITTLE MERMAID ([illegible])



R. K Thadoi
Class III , Sec. Daffodile, Roll: 12
R. M. School
[illegible]



Title : A BRINJAL ([illegible])

Karuna Nameirakpam
Class : , KG, Sec. Siroi Lily, Roll: 18
R. M School
[illegible]



Title : SCENERY (ꯁꯤꯅꯔꯤ)



Zuventus Khaidem
Class : , , Sec. Tulip, Roll: 3
R. M School
[illegible]



Title : A BEAUTIFUL LADY ([illegible])



Shingthaba
Class :IV , Sec. Carnation, Roll: 15
R.M School
[illegible]



Title : HOUSE (ꯌꯨꯝ)



Nitiskumar Nongmeikappam
Class : , Sec. BC, Roll: 46
R.M. School
[illegible]



Title : SCENERY (ꯁꯤꯅꯔꯤ)



Rahish
Class :II , Group. B, Roll: 29
Smart Universal Academy
[illegible]

[illegible]